# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 31-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সরদার ভল্লবভাই পাতেলগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি মণিপুরদসু রাষ্ট্রিয়া এক্তা দিবস-য়ুনিতি ডে পাঙথোক্লি।

২) মনিপুরদা দেঙ্গি লায়নাগা মরী লৈননা অখন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরে। ঙরাং খক্তদা মীওই ১০০ দেঙ্গি পোজিটিব ওইখি।

অমসুং

৩) লৈবাক অসিদা লৈরিবা মহৈ তম্ফম খুদিংমক্তা ক্লাস থ্রিদগী হৌরগা আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্সকী মতাংদা মহৈ তম্বীবা হৌরগনি।

**------**

য়ুনিতি (এল) ঃ সরদার ভল্লবভাই পাতেলগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু রাষ্ট্রিয়া এক্তা দিবস-য়ুনিতি ডে পাঙথোক্লি।

রাষ্ট্রিয়া এক্তা দিবস, নেসনেল য়ুনিতি ডেগী মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা হৌজিক অয়ুক অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লনা অথোইবা মীথুংলেন ওইগনি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মণিপুর পুলিস বিভাগনা শিন্দুনা ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা বেন্দ দিসপ্লে তৌগনি। থৌরম অদুদসু রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াগনি।

বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশনসু য়ুনিতি মার্চ নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থন্বাল শঙলেনদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ. সরদা দেবী, এম.এল.এশিং, দলগী লুচিংবশিং, ওফিস বিয়াররশিং অমদি কারিয়াকার্তাশিং শরুক য়াগনি।

মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনসু রিদেদিকেসন ডে ঙসি অয়ুক ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোক্কনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মহারাজ বুধচন্দ্র কলেজ ফাওবা মীয়ামগী য়ুনিতি মার্চ চৎকনি। খোঙচৎ অসি রাজ্য সভাগী এম.পি. মহরাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা লমথাগনি।

অপুনবগী শক্তম অমসুং জাতি শেমগৎনবা ঐখোয় পুন্না চৎমিন্নশি হায়বা হিরমদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্ট, মেরা য়ুবা ভারত, দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস ওফিসনা পুন্না খুৎশমদুনা য়ুনিতি মার্চ ঙসি জিলা অসিগী দি.সি ওফিসতা পাঙথোক্কনি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ঙসি তমেংলোং জিলাদগী জাদোনং পার্কতগী হৌরগা এপোলো গ্রাউন্দ ফাওবা য়ুনিতি মার্চ চৎকদৌরি। থৌরম অসিদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার, এস.পি অমসুং সরকারগী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াগনি।

অমরোমদা, রাষ্ট্রিয়া এক্তা দিবস ২০২৫ গা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস ককচিংনা রিমস, এ.ভি.দি.বি থৌবাল ব্রাঞ্চ, আই.আর.সি.এস ককচিং ব্রাঞ্চ, মেক্স, এস.বি.টি.সি মণিপুর অমদি ষ্টেট ব্লড সেল-নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরগা পুন্না খুৎশমদুনা নোংমগী ওইবা ঈ দান তৌবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী মনুং চন্না ঈ দান তৌবগী মতাংদা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি।

পুলিস (এল) ঃ  রাজ্য অসিগী চীং অমদি তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্পা লৈতনা চত্থরি। আইন্না থিংখ্রবা খুৎলায় পায়বা লুপ অমগী মীওই অনি য়াওনা

খুৎশু খুৎলায় কয়াসু ফাগৎলে হায়রি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ১১৫ দা চ্যেক পোইন্টশিং হাংদোক্তুনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চন্না কৈবুল লমজাউ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা লাইসোই কারোং কাজিনদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চত্থবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফংলে। মদুগী মনুংদা পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, এম.পি-নাইন-নাইন এম.এম নোংমৈ অমা, দি.বি.বি.এল অনি লোয়ননা নোংমৈ মরু য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং ফংবা ঙমখি হায়রি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ত্রোংলাউবী মখা লৈকাইদগী প্রিপাক(প্রো)গী এক্তিভ কাদরনি হায়বা মীওই অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। জিলা অসিমক্কী বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর-ৱানদা লৈবা প্রিপাক(প্রো)গী এক্তিভ কাদরনি হায়বা অতোপ্পা মীওই অমসু ইম্ফালগী থঙ্গাল কৈথেলদগী ফারে হায়রি। মীওই অনিমক মীয়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়না পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তারি।

দেঙ্গি (এল)ঃ মনিপুরদা ঙরাং খক্তদা মীওই ১০০ দেঙ্গি পোজিটিব ওইখি। লায়না অসিগা মরী লৈননা অখন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরে। রাজ্য অসিদা ঙরাং দেঙ্গিগী সেম্পল ২০৬ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১০০ পোজিতিভ ওইবা থেংনখিবনি।

মদুগী মনুংদা- রিমস হোস্পিতালদা পুন্না সেম্পল ৬২ টেষ্ট তৌবদা মীওই ২৮ পোজিটিব ওইখি। জেনিমস হোস্পিতালদা সেম্পল ১৪৪ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৭২ পোজিটিব ওইখি অমসুং লন্নাই হোস্পিতালশিংদা সেম্পল অহুম টেষ্ট তৌবদা অহুম্মক পোজিটিব ওইখি।

রাজ্যগী মেলারিয়া ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী মফম ২২১ দা লৈবা য়ুম-য়ুমদা চংদুনা সর্ভে তৌখি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী চিঙামখা ওইনাম লৈরক, য়াস্কুল চিঙাখম লৈরক, শিংজমৈ মথক চোথাম লৈকাই, চিংমৈরোং ৱেষ্ট, উরিপোক অচোম লৈকাই,

কৈশামথোং থাংজম লৈরক, ক্বাকৈথেল সোইবম লৈকাই অমসুং শায়াং কুরাউ মখোঙ অমদি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শগোলমাং মাইস্নাম নোংথোম্বম লৈকাই, খুরাই থাংজম লৈকাই, ৱাঙখৈ তোকপম লৈকাই অমসুং ৱাঙ্খে অঙোম লৈকায়দা লৈবা য়ুমশিং অসিদা সর্ভে চথখিবনি। মদুদা দেঙ্গি পোজিটিব ওইরম্বা মীওই ৬২ থেংনখি।

টিটি (এল)ঃ মণিপুর টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসনগী মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চথরিবা ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেন্নিস তুরনামেন্টতা চহি ১১-১৩ অমসুং ১৫ গী লিগ রাউন্দ লোইশিনখ্রে।

শিক্ষা ঃ শিক্ষা মন্ত্রালয়না হায়রি- লৈবাক অসিদা লৈরিবা মহৈ তম্ফম খুদিংমক্তা ক্লাস থ্রিদগী হৌরগা আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্সকী মতাংদা মহৈ তম্বীবা হৌরগনি।

আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স শিজিন্নদুনা চাওখৎ থৌরাংগী লম্বীদা হেন্না খুমাং চাওশিনবা য়াবগী ওইথোকপা লৈরকপা অমদি মতম খরগী মতুংদা আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্সকী মতাংদা মীপুম খুদিংমক্তা খঙহনবগী তঙাইফদবা লৈরকপা য়াবগী ফিভম উবদগী ক্লাই থ্রিদগী হৌরগা হিরম অসিগী মতাংদা তাকপী তম্বীবা হৌগদবনি। মসিগীদমক মন্ত্রালয় অসিনা সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইদুকেসন (সি.বি.এস.ই)না এক্সপার্ট কমিতি অমা শেম্লে। কমিতি অসি আই.আই.টি মদ্রাজগী প্রোফেসার কার্থিক রমন্না লুচিংলি। মসিগীসু মথক্তা সি.বি.এস.ই, এন.সি.ই.আর.টি, কে.ভি.এস, এন.বি.এস অমদি মরী লৈনবা এক্সপার্টশিং য়াওবা মীফম অমসু নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখি। মীফম অদুগা মরী লৈননা স্কুল ইদুকেসন অমদি লিটরেসি বিভাগকী সেক্রেতরি শঞ্জয় কুমারনা হায়- আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স অসি মালেম পুম্বদা চংদবা য়াদ্রবা হিরম অমা ওইনা লৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা মফম খুদিংমক্কা শমহনবা ঙম্বতা নত্তনা থবক খুদিংমক্তা মতম চংদনা অরাইবা মওংদা পাঙথোকহনবা ঙমগনি।

রাজনাথ ঃ ১২ শুবা অসিয়ান দিফেন্স মিনিষ্টরস মীতিং প্লস শরুক য়ানবা ভারতকী ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ মালেসিয়াগী কোলালম্পুরদা থুংখ্রে। নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা মালেসিয়াদা লৈরিবা শ্রী রাজনাথনা হয়েং পাঙথোক্কদবা অসিয়ান দিফেন্স মিনিষ্টরকী মীফমদা শরুক য়াগনি। মীফম অদুদা শ্রী রাজনাথনা এ.দি.এম.এম-প্লসনা চহি ১৫ শুরকপগী মতাং য়াওনা মখা তানা চংশিনবা য়াবা লমশিংগী মতাংদা মহাক্কী ৱারোল থমগনি। মসিগীসু মথক্তা খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না অনিসুবা অসিয়া-ইন্দিয়া দিফেন্স মিনিষ্টরসকী ইনফোর্মেল মিতিংদসু শরুক য়াগনি। মীফম অসিনা ভারতকী এক্ট ইষ্ট পোলিসিদা খুদোংচাবা পীগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পি.আর. লৈঙাকা মণিপুর লোক আয়ুক্তগী নন-জ্দিসিয়েল মেম্বর হাপচিনখিবগী মায়োক্তা হাই কোর্টতা ৱাকৎলক্লে হায়বা হেদলাইন অসি হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইননি।

নেসনেল হাইৱেশিংদা লৈরিবা অথিংবগী মায়োক্তা হাই কোর্টতা পি.আই.এল থারক্লে হায়বা পাউ অসিনা পোকফমগী অহানবা হেদলাইননি।

পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদনা বফর জোনশিং অসি অনকোন্সটিট্যুসনেল ওই হায়না পি.আই.এল অমনা হায়রি হায়বা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

সেক্যুরিতি ঙাক্লগা বিষ্ণুপ্র অমসুং চুরাচান্দপুরদা লৌ য়ৈবা হৌনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইননি।

ইং ২০০৯ গী মে ২৪ দা কিরনজিৎ কৌবা মীওই অমা এক্সত্রা জ্দিসিয়েল কিল্লিং হায়বা থৌদোক অমগা মরী লৈননা কম্মান্দো পার্সোনেল ৯ গী মথক্তা চার্জ ওর্দর তাখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমদি মণিপুরী ইদিসন অনিমক্তা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মণিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লি সস্পেন্দেদ এনিমেসন থন্বা অসিনা তোখায় তাবা পান্বা ইথনিক গ্রুপশিংনা মণিপুর থুগাইদুনা মশাগী ওইবা পোলিতিকেল দিমান্দ তৌবদা হেন্না মনিং তমহল্লব্রা হায়না মীয়ামা ফোংদোক রকপা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন পীরি।

ইসু লোইশিন্দনা পার্তি পোলিতিক্স তৌবগী মতম নত্তে হায়না মহেশ্বরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনালৈবাক পাউচেদা অনিসুবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি। পাউ অসি মণিপুর মেলদনা মণিপুরগী লৈরিবা ৱাথোকশিংদা মীৎয়েং চংশি হায়না হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

আই.দি.পিশিংনা শঙাই ফেষ্টিভেল য়াওরোই হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম দ চম পাউচেদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

জষ্টিস শুরয়াকান্টনা ৫৩ শুবা চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া ওইরগনি হায়বা হেদলাইন অসিনা দ তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরে।

দ গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন অসিনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না মেরা য়ুবা ভারত তমেংলোংগা খুৎশমদুনা সরদার এদরেট **150** য়ুনিতি মার্চ জাদোনং পার্কতগীনা এপোলো গ্রাউন্দ ফাওবা চৎলগনি হায়বা হেদলাইন অসি ফোংবা থেংনরে।

সেনাপতি এক্সাইজনা য়ুঙৌ লিতর লিশিং ৪ হেন্না হৈদোক্লুনা মাংহনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইননি।

------